## য়ুক্রেনগী লান: ক্রিমিয়াগা রসিয়াগা শম্নহল্লিবা মরু ওইবা থোংদা চাওনা পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌখ্রে

কিভ, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
ক্রেমলিননা য়ুক্রেনগী খা থংবা পেনিন্সুলা পায়শিনবগী সিম্বোল অমা ওইরিবা রসিয়াদগী ক্রেমিয়াদা চঙবদা শীজিন্নবা মরু ওইরবা কর্স থোং থাংজ নুমিত্তা চাওনা পোকখায়হন্দুনা এটেক চথখ্রে। তৌইগুম্বসুং করিনা অমসুং করম্না থোং অদুদা পোকখায়হল্লিবনো হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।



পোকখায়বগী থৌদোক অদু রেলৱে ট্রাফিক পুরিবা থোংদুগী শরুক্তা পোকখায়খিবনি হায়রি। মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না থোং অদুগী ইমেজশিংদা মদুদা লৈরিবা ট্রেন অমগী কেরিয়েস অনী মৈ চাকপগা লোয়ননা মৈরি চাওনা কাবগী শক্তম উবা ফংখি।

উহৌবশিংগী মতুং ইন্না চাওনা পোকখায়বগী মখোল অদু কিলোমিটর কয়ামুক লাপ্পা তাবা ফঙখি। মদু ট্রেন অদুনা থোং অদু লান্নবা হোৎনরিঙৈ থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং মদু ইমেজ খরদা মৈ চাওনা চাক্লিবা মফম অদুদগী খরা চৎথোক্লগা অতোপ্পা মফম অমদসু মৈ চাকপগী শক্তম উবা ফঙখি।

মতুং তাবা ইমেজশিংদা ট্রেন ট্রেকশিংগা পেরেলেল ওইনা লৈরিবা লম্বীগী থোং অদুগী শরুক খরা কিন্থবগী শক্তম উবা ফঙখি। থোং অদু রসিয়াগী ওইনা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরি। মদু ক্রিমিয়া অমসুং ওক্যুপাইদ সাউর্দন য়ুক্রেনদা লৈরিবা রসিয়ন ফোর্সশিংগী মরু ওইবা লোজিষ্টিকেল সপ্লাই রুটনি।

রসিয়ন ন্যুজ সার্ভিস টাজকী মতুং ইন্না পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা ফ্যুএল টেঙ্কর অমা চেন্নখি। প্রিলিমিনরি দেটাগী মতুং ইন্না ক্রিমিয়াগী থোং অদুগী সেক্সনশিংগী মনুংদা অমদা ফ্যুএল টেঙ্ক (রেলরোদ কার অমা) মৈ চাকখি। তৌইগুম্বসুং সিপ্পিং আর্থশিং অমাঙ অতা থোকপদি উখিদে হায়না ক্রিমিয়াগী রসিয়ন ওক্যুপেসন হেদ অদুগী এদভাইজর অমা ওইরিবা ওলেক ক্রিয়ুস্কোবনা ফোঙদোকখি।

মোস্কোনা এপোইন্ট তৌখিবা অতোপ্পা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা থোং অদুগী সেক্সনশিংগী মনুংদা অমদা সিষ্টন কেরিয়েস অমা ফ্যুএলনা মরম ওইদুনা মৈ চাকখি। করিনা মরম ওইদুনা অচৌবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোক্লক্লিবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মৈ অদু মুখৎনবা কন্না হোৎনরি। অদুম ওইনমক লম্বীগী শরুক অদুগী ভিদিও ফুটেজতা ট্রেন মশাং পরিংগী রেলৱে ট্রক কয়া কন্না মৈ চাকপগী শক্তম উবা ফঙখি।

কিলোমিটর ১৯ লোম শাংবা লম্বীগী থোং অদু কুমজা ২০১৮ দা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা হাংদোকখিবনি। মদুগী মতুং চহী অনী লৈরগা রেলৱে থোং অদু অমুক হাংখি।

চৈরকসিদা রসিয়াদগী ক্রিমিয়াদা চঙবদা শীজিন্নরিবা মরু ওইবা কর্স থোংদা চাওনা পোকখায়হল্লিবদু হৌরকপদা ঙাইহিরিবনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগী এইদ মিখাইল পোদোলিয়াক্লা ফোঙদোকখ্রে।

থোং অদু ট্রক অমা পোকখায়রবা মতুং থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা থিংজিনখিবনি। পোকখায়বা অদুদা লম্বী অমাঙ অতা থোকপগা লোয়ননা মৈ চাওনা চাকখি। পোদোলিয়াক্লা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি ক্রিমিয়া, থোং পুম্নমক হৌরকপদা ঙাইরি। ইল্লিগেল ওইবা পোৎ খুদিংমক থুগায়গদবনি, হুরানখিবা পোৎ খুদিংমক য়ুক্রেনদা অমুক হল্লক্কদবনি। লোয়ননা য়ুক্রেনগী লম পায়শিল্লিবা রসিয়নশিং নমদুনা তান্থোক্কদবনি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী মমাঙদা য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা থেঙখাং কয়াদা থোং অদুদা এটেক তৌগনি হায়না কিহনখ্রবনি। হৌখিবা ওগষ্টতসু পোদোলিয়ক্লা ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা থোং অদু ইল্লিগেল কন্সট্রক্সন অমা ওইবগা লোয়ননা ক্রিমিয়াদা লৈরিবা রসিয়ন আর্মিগী মরু ওইবা সপ্লাই রুট ওইবনা থুগায়গদবনি হায়খিবনি।

## অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়াদা কাউন্টর-টেররিজম কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্লগনি

যুএন, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা লুচিংলিবা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী কাউন্টর-টেররিজম কম্মিটি (সিটিসি) না ইন্দিয়াদা অতাংবা সেসন অমা পাঙথোক্তুনা টেররিষ্টশিংনা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নরকপগী মতাংদা খন্ন-নৈনরক্কনি হায়না য়ুএনদা লৈবা ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিবনা ফোঙদোকখ্রে।




ইরাই নুমিত্তা য়ুএনদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মীফম অদুগী মতাংদা লাউথোক্লদুনা রুচিরা কম্বোজনা হায়খি, মদুদি মদু কুমজা ২০০৮ তা টেররিষ্টশিংনা মুম্বাইদা চথখিবা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭৫ শিহনখিবা অকিবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা ইন্দিয়ানা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

কুমজা ২০০৫ কী মতুংদা য়ুএন হেদ ক্বার্টর্সকী মপানদা পাঙথোকপা অহানবা সিটিসি মীটিং অদুদা য়ুএনগী মেম্বর পুম্নমক শরুক য়াবা য়াগনি অমসুং মদু ওক্তোবর ২৮ দা মুম্বাইদা হৌগনি অমদি মথংগী নুমিত্তনা ন্যু দিল্লিদা মীফম মখা চথগনি।

ইন্দিয়াদা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবদু ন্যু দিল্লিনা ইন্দিয়াদা চথখিবা টেররিষ্ট এটেকশিং অমসুং টেররিষ্ট থ্রেটশিংদা মালেম পুম্বগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা অখন্নবা হোৎনরকপনি।

অমরোমদা, মদু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিবু টেররিষ্টশিংনা নৌনা থোরক্লিবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নরক্লিবদু করম্না থেংনগদগে হায়বসি খন্ননবগীদমক্তনি। হৌজিক্তি টেররিজম হায়বসি অকক্নবা লৈবাক অমখক্লা মায়োক্লরিবা ইস্যু অমখক ওইরক্তবগা লোয়ননা মীফম অদুদা লৈবাক কয়ানা পুক্লিং চঙনরক্লি হায়না ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিবনা য়ুএনদা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা ইস্যু অসি পুন্না থেংনমিন্নবা মথৌ তাই। মসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অখন্নবা মীফম অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা শরুক য়ানিংলিবনি।

কম্বোজনা হায়খি, মদুদি মীফম অদুনা মরম ওইনা টেররিষ্ট থ্রেটশিংদা অনৌবা শক্তমশিং ওইরক্লিবা এরিয়া অহুমদা মীৎয়েং থমগনি। মখোয় অদুদি ইন্টর্নেট, সোসল মেদিয়া লান্না শীজিন্নবা, অনৌবা পেমেন্ট টেক্নোলোজি লান্না শীজিন্নবা অমদি অনমেন এরিয়েল সিষ্টেমশিং লান্না শীজিন্নরকপা অসিনি। অখন্নবা মীফম অদুদা হন্দক্তা লাকখিবা দিভলপমেন্টশিং অমদি অনৌবা টেক্নোলোজিশিং অসিবু শীজিন্নবদগী মালেম পুম্বদা পীরিবা থ্রেটশিংগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা রিছার্সতা য়ুম্ফম ওইবা খ্বাইদগী নৌবা ইভিদেন্সনচিংবা খন্ন-নৈনগনি। সিটিসিগী মতুং ইন্না সোসল মেদিয়া, দিজিটেল কমর্স অমসুং ফাইনান্সিএল ট্রান্সফর সিষ্টেমশিং অসি ইস্লামিক ষ্টেট, অল-কাইদা অমসুং মখোয়গী এলিফিএটকুম্বা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী অফবা খুৎলায়শিং ওইরক্লে।

## নিংথম থাদা বৃটেনদা মৈ মম্বা তোইনা থোরকপা য়াই: রিপোর্ট

লন্দন, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
করিগুম্বা য়ুরোপিয়ন ইলেক্ট্রিসিটি ইম্পোর্টশিং হন্থদুনা লৈবগা লোয়ননা বৃটেনদা গ্যাস সপ্লাই মতিক চারক্তবদি চহী অসিগী নিংথম থাদা বৃটিস ইমুংশিং মৈ মম্বগী ফিভম তোইনা মায়োক্লরক্কনি হায়না রিপোর্ট অমনা ৱার্নিং তৌরি। খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা সিনারিওদা সপ্লাই মাজিনগী সেক্যুরিটি হন্থহনবগা লোয়ননা কষ্টমর খরদি অয়ুক নুংথিলগী মতমদা মৈ শুংফম ফঙদবা য়াই হায়না ৱিন্টর আউটলুক রিপোর্টতা পনখি।

রিপোর্ট অদু বৃটেনগীদমক্তা নেসনেল গ্রিদ ইএসও, ইলেক্ট্রিসিটি সিষ্টেম ওপরেটরনা ফোঙখিবনি। অদুম ওইনমক ফিভম অদুমক্তি চপ চানা থোক্লক্তবসু য়াই হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱিন্টর আউটলুক রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি নিংথম থাগী মতমদা বৃটিস ইমুংশিংদা মৈ ফঙহন্দবা হায়বসি লৈবাক অপুম্বা অসিগী ইলেক্ট্রিসিটি সিষ্টেমগী সেক্যুরিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটিগী য়েংলগা মথৌ তাই হায়নসু খন্নবা লৈ। মীয়ামদা মৈ সপ্লাই লেপকদৌরিবা অদুনা থোকহল্লক্কদৌরিবা খুদোংচাদবশিং য়ারিমখৈ হন্থহন্নবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা ষ্ট্রেটেজি কয়া চল্লাইগনি। ইনর্জি কন্সলটেন্সি ৱার্দ-লোজিক্কী এনালাইসিসকী মতুং ইন্না মফম কয়া পালি নাইনা মৈ মমহনবা হায়বসি চহীসিগী নিংথম থাদা থোক্তবসু য়াই। অসিগুম্বা মৈ সপ্লাই লেপহনবগী ফিভম অসি লাকহন্দ্রিঙৈগীদা ওথোরিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা মতাংশিং লৌখৎপা য়াই হায়নসু পনখি। থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা ইমুংশিংগী অনপেদ ভোলুন্টরি দিমান্দ রিদক্সনগী আপিল য়াওরি।

থৌরাং অসি নীংথিনা কম্যুনিকেট তৌরবদি য়াম্না ইফেক্তিব ওইহনবা য়াগনি হায়না এনালাইসিস অদুনা ফোঙদোকখি। গ্যাস সপ্লাইগা মরী লৈনবা তোঙানবা রিপোর্ট অমদা বৃটিস গভর্ণমেন্টনা হায়খি, মদুদি মসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরনা কা হেনবা নোং চীংগী ফিভম্না থোকহনবা অহেনবা দিমান্দ অমদি গ্যাস নেটৱার্কতা লৈরিবা খ্বাইদগী চাওবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফেল ওইরকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা সিনারিওশিংগা মরী লৈনবা গ্যাসকী দিমান্দ থুংহনবা য়াগনি।

## ইন্দিয়ানা অপান্বা মফমশিংদগী থাউ লৈগনি: হর্দীপ সিং পুরি

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা অপান্বা লৈবাকশিংদগী শুংদোক্ত্রিবা থাউ লৈগনি হায়না য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্টর হর্দীপ সিংহ পুরিনা ফোঙদোকখ্রে। রসিয়াদগী থাউ লৈবগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংনরকখিবগা মরী লৈননা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, য়ুক্রেনদা লান্দাবগীদমক নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা রসিয়াদগী থাউ লৈবা লেপ্পখ্রবনি নত্ত্রগা মখোয়গী ওর্দরশিং হন্থহনখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী টোপ সেল্লর অয়াম্বা য়াওরিবা ওপেক প্লস লৈবাকশিংনা নোংমদা বেরেল মিলিয়ন অনী ককথগনি হায়না লাউথোকখিবগী মতাংদা মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মহাক্লা ওপেক প্লসনা লাউথোক্লিবদু থবক্তা ওন্থোরকপগী মতম ঙাইগনি অমদি ইন্দিয়াদা মদুনা করি করম্বা চৈথেং পীরকপগে হায়বদু য়েংগনি।

ওইল এনালিষ্টশিংগী মতুং ইন্না ওপেক প্লসনা থাউ পুথোকপগী চাং হন্থহনগদৌরিবদু থাঙৈশেংবদি নোংমদা বেরেল ৯০০০ ফাওবনি।



তৌইগুম্বসুং মালেমগী ওইনা থাউ সপ্লাইগী চাং অীস দিমান্দগা য়াম্না খেন্নবা মরম্না মদুনা ফ্যুএল রিসেসন লাকহনগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্টগী পোর্টফোলিওসু পায়রিবা পুরি শগোলশেল নুমিত্তা ৱাশিংতন দিসিদা থুংখি অমসুং মহাক্লা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী মহাক্কী লেঙমান্নবা জেনিফর গ্রামহোমগা হিরম কয়াগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখি। মহাক্লা য়ুএসকী ইনর্জিগী স্পিসল এনভোই অমোস হোষ্টাইনগসু উন্নদুনা মীফম পাঙথোকখি। মহাক্লা থাংজ নুমিত্তা হুষ্টনদা ইনর্জি বিজিনেস লিদরশিংগা মীফম পাঙথোক্লনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অসি য়ুএসনা লুচিংবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়াদগী ইনর্জি লৈবা লেপ্পবা নত্ত্রগা হন্থনবা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাক্লিবনি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা মোস্কোনা দিস্কাউন্ট চাওনা ওফর তৌবগী খুদোংচাবা লৌনবা নোংচুপলোমগী প্রেসর ইনবগী মহুত্তা রসিয়াদগী থাউ হেন্না লৈশিনখি।

ইন্দিয়ন মেদিয়া আউটলেটশিংগী রিপোর্টরশিংগা উন্নবদা পুরিনা হায়খি, মদুদি ঐহাক্লা য়াম্না ময়েক শেংনা থল্লিমখৈদি ইন্দিয়ানা মথৌ তাবগী মতুং ইন্না লৈবাক অমদগী নত্ত্রগা মফম অমদগী হেক্তা থাউ লৈগনি। মসিগী মরমদি অসিগুম্বা মখলগী দিস্কসন অসি ইন্দিয়াগী কঞ্জ্যুমরশিংগী নাকোংদা য়ৌবদা মখোয়না তরাম্না ওক্কদবা ৱাফম নত্তে। করিগুম্বা ঐঙোন্দা কনাগুম্বশিংনা রসিয়াদগী থাউ লৈবা লেপ্পবা হায়রকপা ওইনা মদুগী পাউখুমদি থাউ লৈবা লেপ্লোই হায়বসিনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা অসিগুম্বা দিস্কসন অসি জিও পোলিটিকেল কন্টেক্স অমদা পাঙথোকপদি য়াগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ওপেক প্লসনা থাউ পুথোকপা হন্থহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী পাউখুম ওইনা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না এক্সপোর্টশিংদা অথিংবা থম্নবা খন্নরকপগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াদা য়ুএসনা এক্সপোর্টকী চাং হন্থহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈব্রা হায়না হংবদা মিনিষ্টর অসিনা অদুগুম্বা ফিভম লাক্লোই হায়না য়াম্না থাজনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, মদুদি ঙসি ঐখোয়না মখোয়দগী দোল্লর বিলিয়ন ২০ গী ইনর্জি প্রদক্টশিং লৈরি। য়ুএসনা ইন্দিয়াদা হেন্না য়োনবা শোয়দনা পামগনি।

## ষ্ট্রাইক মরক্তা দাইলোগ চত্থনবা ফ্রেন্স পোলিটিসিয়নশিংনা আপিল তৌখ্রে

পেরিস, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোন য়াওনা ফ্রান্সকী পোলিটিসিয়নশিংনা টোটেল ইনর্জিসগী প্রোটেষ্টরশিং অমদি কম্পেনিগী মরক্তা ৱারী শান্ননবা আপিল তৌখ্রে। ষ্ট্রাইকশিংনা মরম ওইদুনা ফ্যুএলগা মরী লৈননা মীপায়নরকখিবগা লোয়ননা পোলি-টিসিয়নশিংনা আপিল অদু তৌখিবনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাক অদুদা লৈরিবা টোটেল সার্ভিস কয়া থিংজিনখিবগা লোয়ননা ফ্যুএল ফঙলক্লরোই হায়বগী অকিবা পোকহনখি। ষ্ট্রাইকরশিংগী এক্সনশিং অদুনা ফ্যুএল দেলিভরি হন্থহনখি অমদি সার্ভিস ষ্টেসনশিংদা পেট্রোল নত্ত্রগা দিজলগী ষ্টোক নিল চৎহনখি।

ইরাই নুমিত্তা চেক কেপিটেল প্রাগতা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন সবমিটকী প্রেস কনফরেন্স অমদা প্রসিদেন্ট মেক্রোননা ষ্ট্রাইক তৌরিবা টোটেল ইনর্জিসকী ৱার্করশিংদা মখোয়গী এক্সনশিং অদুগী থৌদাং লৌননবা খঙহনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর ইলিজাবেথ বোর্ননা ইরাই নুমিত্তা হায়খি, মদুদি ঐহাক্লা কম্পেনিশিং অসিগী মেনেজমেন্ট অমসুং এমপ্লোয়ি রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌদুনা খুৎশুমলগী নিগোসিএসনশিং মায় পাকহন্নবা অমদি ফ্রান্সপু অৱাবা মায়োক্লহন্দনবা আপিল তৌরি।

ট্রান্সপোর্টকী মিনিষ্টর দেলিগেট ক্লেমেন বিওন্না ফ্রেন্স ন্যুজ চেন্নেল এলসিআইদা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অদু লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সোল্ব তৌবা য়াননবা তৌফম থোকপা খুদিংমক তৌরি। সোসল দাইলোগ চত্থহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা টোটেল ইনর্জিসকসু তত্তনা পাউ ফাওনরি। মতম খরা ঙাইবদা অকায়বা লৈতে খনবা মীওইশিংনা গ্যাস ষ্টেসনশিংদা চেনশিন্নরোইদবনি। মদুনা প্রোব্লেম হেন্না লুশিলহনবা য়াই।

ইরাই নুমিত্তা ফ্রান্স ইনফো রেদিওদা ৱা ঙাঙলদুনা স্মোল এন্দ মেদিয়ম সাইজ ইন্টরপ্রাইজেসকী মিনিষ্টর দেলিগেট ওলিবিয়া গ্রেগোইয়রনা কম্পেনিশিংদা ৱার্করশিংনা খুৎশুমল হেনগৎনবা দিমান্দ তৌরিবদু খন্ননবা আপিল তৌখি।

## চঙজফম লৌনবা হোৎনবা মী মশিং য়ামখৎলকপদগী ন্যু য়োর্কতা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈফম চাফম থীদুনা চঙজফম লৌনবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মশিং রেকোর্দ ওইবা মওংদা হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা সিটি অসিগী মেয়র ইরিক অদামসনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

য়ুএসকী খা থংবা বোর্দরদগী মশিং য়াম্লবা মীওইশিংনা সিটি অদুদা চঙজফম লৌনবা হোৎনরক্লি হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা একজিক্যুটিব ওর্দর অমা ইস্যু তৌদুনা সিটি অদুদা চঙজফম লৌনবা হোৎনরিবশিং অদুনা মায়োক্লরিবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিসকা মখোয়না হোৎনরিবশিং অদুবু কো ওর্দিনেট তৌনবা অমদি ট্রাঞ্জিটরি বেসিসতা হ্যুমেনিটরিয়ন রিলিফ সেন্টরশিং শেমগৎ শাগৎনবা সিটি অদুগী মরী লৈনবা এজেন্সি পুম্নমক্তা হৌনবী মতুং ইন্না দিরেক্সন পীখি।

ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি অদু নুমিৎ ৩০ নি চুপ্পা চৎনগনি অমদি মদুদগী হেন্না শাংদোকপসু য়াই হায়না একজিক্যুটিব ওর্দর অদুদা পনখি।



অদামসনা চঙজফম থীবা মীওইশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবদু হেন্দল তৌননবা মখোয়বু থবক তৌবা য়াহন্নবগী লেজিসলেসন য়াওনা ইমর্জেন্সি ফেদরেল অমসুং ষ্টেটকী মতেংশিং শেম শাননবসু আপিল তৌখি। চঙজফম থীরিবা মীওইশিং অদুবু অতৈ সিটিশিংদা থাজনবগী থবক কো ওর্দিনেট তৌনবা লোয়ননা ইমর্জেন্সি ফাইনান্সিএল রিলিফ ফঙহন্নবা অমদি ইম্মিগ্রেসন রিফোর্ম পুরক্লবসু আপিল তৌখি।

অদামসকী মতুং ইন্না ন্যু য়োর্ক সিটিগী সেল্টর সিষ্টেমশিং অদু হৌজিক চাদা ১০০ গী কেপাসিটি ময়াদা ওপরেট তৌদুনা মীওই ৬১,০০০ হেন্না লৈহল্লে অমদি করিগুম্বা হৌজিক্কী ট্রেন অসি মখা চত্থবা তারবদি সিটি অসিনা অসিগুম্বা মীওই ১০০,০০০ হেন্না লৈহনবা য়াননবা শীনবনি। মদু মমাঙদা অমুক্তা দিজাইন তৌখিদ্রবা মওংদা চৎনহনগদৌরিবা সিষ্টেম অমনি। করিগুম্বা সিটি অসিদা মীওইশিং অসিনা মতম শাংনা লৈশিনবা তারবদি অতৈ মরু ওইবা হিরমশিংগী ফন্দিং লৈরক্লরোই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পাক্তক্লনা মী হাৎখিবগা মরী লৈননা য়ুবালদে স্কুল দিষ্ট্রিক্টনা পুলিস ফোর্স অপুম্বা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
টেক্সাসকী য়ুবালদে স্কুল দিষ্ট্রিক্টনা ইরাই নুমিত্তা মসিগী পুলিস ফোর্স অপুম্বা সস্পেন্দ তৌখ্রে। অঙাং ১৯ অমসুং ওজা ২ শিখিবা রোপ ইলিমেন্টরি স্কুলদা থোকখিবা পাক্তক্লনা মীয়ামদা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক অদুগী মতুং থা মরি লৈরগা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

এজেন্সিগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওথোরিটিশিংনা হায়রি, মদুদি য়ুবালদে কন্সোলিদেটেদ ইন্দিপেন্দেন্ট স্কুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস দিপার্টমেন্টগী এক্তিভিটি পুম্নমক মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌরে।

পুলিস ফোর্স অদুদা ওফিসার মঙা অমসুং সেক্যুরিটি গার্দ অনী য়াওরিবনি। রোপ ইলিমেন্টরি স্কুলদা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা টেক্সাস পুলিস চীফ এসোসিএসন অমদি মপানগী ফার্ম অমনা লুচিংদুনা চত্থরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসন অমগী রিজল্টশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিনা ঙাইরিবনি। মদু থা অসিগী থেংবা শরুক্তা রিলিজ তৌরগনি হায়না থাজনরি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিনা হায়রি, মদুদি হন্দক্তা লাকখিবা দিভলপমেন্টশিংনা দিপার্টমেন্টকী ওপরেসনশিংগী মতাংদা নুংনাংনিংঙাই ওইবা অহেনবা ৱাফম কয়া খঙলকখিবগা লোয়ননা পুলিস ফোর্স অদুবু সস্পেন্দ তৌনবগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি। হন্দক্কী দিভলপমেন্টশিং অদুনা মরম ওইদুনা লেফটনেন্ট মিগ্যুল হর্নান্দেস কৌবা ওফিসার অমা এদমিনিষ্ট্রেটিব লিক পীখি। ষ্টুদেন্ট সার্ভিসেসকী দিরেক্তর কেন ৱিল্লরসু এদমিনিষ্ট্রেটিব লিভ পীখিবগা লোয়ননা মহাক থবক্তগী পোত্থারগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ষ্টেটমেন্ট অমদা পনখি।

স্কুল দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সস্পেন্সন অদুগী অহেনবা ইনফোর্মেসন পীয়ু য়াখিদে। খুৎলায় পায়বা মীওই অদুবু ফানবা হোৎনবদা ওফিসারশিংনা মতম থীন্থখিবা য়াওনা হৌখিবা মেদা থোকখিবা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা রেস্পোন্স অদুগী মতাংদা পুলিস দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরক্লিবনি।

## কোপনহেগনদা লৈবা ইরানিয়ন এম্বেসিদা এটেক তৌখিবগা মরী লৈননা দেনিস এনভোই কৌখৎখ্রে

টেহরান, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
দেনমার্ককী কেপিটেল কোপনহেগনদা লৈবা ইরানগী এম্বেসিদা খুৎলায় পায়বা মীওই অমনা এটেক তৌখিবগী মায়োক্তা টেহরানদা ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টরনা দেনমার্ককী এম্বেসেদর কৌখৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি, মদুদি ভিএনা কনভেন্সনগী মতুং ইন্না লৈবাক অমদা লৈরিবা অতৈ লৈবাকশিংগী দিপ্লোমেটশিংগী সেক্যুরিটিগী ৱাফম অসি হোষ্ট গভর্ণমেন্ট অদুগী রেস্পোন্সিবিলিটিনি।

দেনিস গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী সোইলদা লৈরিবা অতৈ ষ্টেটশিংগী দিপ্লোমেটিক মিশনশিংগী সেফতিগী মতাংদা মখা তানা মসিগী ইন্টরনেসনেল কম্মিটমেন্টশিং ঙাকফম থোকই।

দেনিস এম্বেসেদর অদুনা হায়খি, মদুদি ফিভম অদু মহাক্লা খুদক্তা কোপনহেগনদা রিপোর্ট তৌরগনি অমদি সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং হেন্না কনখৎহল্লগনি।



কোপনহেগনদা লৈরিবা ইরানগী এম্বেসেদরগী সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং ফেল ওইখিবগীদমক ইরাই নুমিত্তা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দোলাহিয়ন্না দেনিস গভর্ণমেন্টদা য়ানিংদবা উৎখি।

কোপনহেগনদা লৈরিবা ইরানিয়ন এম্বেসেদর অফসানে নাদিপোলগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা অমির অব্দোলাহিয়ন্না হায়খি, মদুদি য়ুরোপিয়ন ষ্টেট অমদা দিপ্লোমেটিক ইম্যুনিটি লৈজবা নুপী এম্বেসেদর অমগী মায়োক্তগা অসিগুম্বা এটেক অমা চত্থখিবা অসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাইনি। নাদিপোলগী মতুং ইন্না খুৎলায় পায়বা এসালেন্ট অদুনা ইরাই নুমিত্তা এম্বেসি অদুগী প্রেমিসেসতা নমদুনা চঙশিনখিবগা লোয়ননা মহাক্লা এমপ্লোয়শিংদা কিহনখি অমদি এম্বেসিগী পার্কিং এরিয়াদা লৈরিবা গাড়ী কয়া অমাঙ অতা থোকহনখি। দেনিস পুলিসকী মতুং ইন্না এটেক অদুগা মরী লৈননা মশাগী চহী ৩২ শুরবা মীওই অমা ফারে।

## মিসাইল লোঞ্চশিং য়ুএসনা কিহল্লকপশিংগী মায়োক্তা চত্থরকপা মশা ঙাকথোকচবগী এক্সনশিংনি

সিওল, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
ইনৌ নৌনা মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোকখিবা অসি য়ুএস মিলিটরিনা কিহল্লকপশিংগী মায়োক্তা মশা ঙাকথোকচনবগীদমক্তা পাঙথোকখিবনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পিওংয়াংগী খ্বাইদগী নৌবা বেলেষ্টিক মিসাইল চাংয়েংবু য়ুএন এভিএসন এজেন্সি অমনা কন্দেম তৌখিবগী পাউখুম ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা নোর্থ কোরিয়াগী নেসনেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসন (এনএএ) না হায়খি, মদুদি দিপিআরকেনা মিসাইল লোঞ্চশিং পাঙথোক্লিবদু চহী ৫০ হেন্না য়ুএস মিলিটরিনা হকথেংননা কিহল্লকপদগী লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি অমসুং রিজনেল পিছপু য়ুএসকী থৌওং অদুদগী ঙাকথোকচনবা চাং নাইনা পাঙথোকপা মশা ঙাকথোকচবগী খোঙথাং অমনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি দি পি আর কে অসি নোর্থকী ওফিসল মিং ওইরিবা দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী এক্রোনিয়মনি। ইন্টরনেসনেল এয়র নেভিগেসনগা মরী লৈনবা এফিয়র্স হেন্দল তৌরিবা অখন্নবা য়ুএন এজেন্সি অমা ওইরিবা ইন্টরনেসনেল সিভিল এভিএসন ওর্গনাইজেসন (আই সি এ ও) না নোর্থনা হান্না মাঙজৌননা খঙহনবা তৌদনা ইন্টরনেসনেল এয়র রুটশিংদা নত্ত্রগা নক্লনা বেলেষ্টিক মিসাইলশিং মখা তানা লোঞ্চ তৌখিবা সিভিল এভিএসনগী সেফতিদা অচৌবা থ্রেট অমনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক নোর্থ কোরিয়ানদি লৈবাক অসিগী মিসাইল চাংয়েং অদুনা সিভিলিয়ন এভিএসনগী সেফতি নত্ত্রগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা অকিবা অমত্তা পোকহনবা লৈখিদে হায়না ক্লেম তৌখি।

মিসাইল এক্তিভিটিশিং অদু য়ুএস মিলিটরিনা কিহল্লক্লিবশিং অদুগী মায়োক্তনি হায়রদুনা আই সি এ ওগী থৌওং অদুবু পিওংয়াংনা ক্রিটিসাইজ তৌখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জপান লান্না ইন্টরমেদিয়ট রেঞ্জ-বেলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপ্পা য়াওনা পরিং নাইনা খুৎলায় চাংয়েংশিং পাঙথোক্তুনা নোর্থ কোরিয়ানা পেনিন্সুলা অদুদা উংখৎনবা হেনগৎহনখিবনি।

## ওক্তোবরফেষ্টকী মতুংদা জমর্নিদা কোভিদ কেস ৱাংখৎলক্লে

ম্যুনিক, ওক্তোবর ৮ (এজেন্সী):
হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা জমর্নিগী বাবেরিয়াদা ওক্তোবরফেষ্ট হৌখিবদগী ষ্টেট কেপিটেল ম্যুনিক অমদি মসিগী অকোয়বদা নুমিৎ তরেৎনি লেপ্তুনা মী ১০০ গী মনুংদা কোভিদ ১৯ গী কেস থেঙনবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলকখি হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অদুগী ইন্সিদেন্স রেট অদু শরুক অহুল্লোম হেনগৎতুনা ৮১৮ ওইখি হায়না ইরাই নুমিত্তা রোবার্ট কোর্স ইন্সটিট্যুট (আর কে আই) না ফোঙদোকখি।

ফেদরেল লেভেলদা ইন্সিদেন্স রেট হায়রিবা মতম অদুদা শরুক অনী হেনগৎতুনা ৫৭৭.৫ য়ৌখি। দেটা মরাং কায়বা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা কেসশিং অদু হেনগৎলক্লিবনি হায়বসি সাইন্টিফিক ওইনা প্রুভ তৌবা ঙমদ্রবসু ইভেন্ট অদুনা ইম্পেক্ট অমদি পীখি হায়না বাবেরিয়াগী হেল্থ মিনিষ্টর ক্লোস হোলেচেক্লা ফোঙদোকখি।

কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্লা মরম ওইদুনা চহী অনী লেপ্পুরবা মতুংদা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা লাংবা পামজবা মীওই মিলিয়ন কয়ানা বাবেরিয়াদা লাক্তুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ভোলসফেষ্ট হায়বা ব্যের, ভিল ছোসেস অমসুং ফোল্ক ম্যুজিক্কী ফেষ্টিবেল অসিদা য়াওনবা হোৎনখি। চহী অসিদা ভিজিটর মিলিয়ন ৫.৭ ওইদুনা কুমজা ২০১৯ দা লৈখিবা ভিজিটর মশিং অদুদগী ৬০০,০০০ হন্থগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা পাখি।

ওক্তোবরফেষ্টকী হেদ ক্লেমেন্স বোংগরনার্থনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফেষ্টিবেল অদু লোইখ্রবা মতুংদা হায়খি, মদুদি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা পাউ কয়া লৈদুনসু মীয়াম্না নিংতম্না কোইবা অমদি নুংঙাইথোকপা পাম্নখি। য়ুরোপকী অতৈ মফমশিংগুম্না জমর্নি অসিসু হৌজিক নিংথম থাগী ওইবা কোভিদ ১৯ গী ৱেবা অমা মায়োক্লরক্লিবনি। মরু ওইনা য়ুমথংনরিবা ওষ্ট্রেলিয়াদা কোভিদ ইনফেক্সনগী রেট ৱাংখৎলক্লি। লৈবাক অসি ইন্সিদেন্স রেট লিশিং অমা হেনবা য়ুরোপকী অহানবা লৈবাক ওইরে। ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা ইনফেক্সন হেনগৎলকপা অসি থিংবা য়াগনি হায়না জমর্নিগী ফেদরেল হেল্থ মিনিষ্টর কার্ল লৌতরবাক্লা থাজরি।